## স্যুসাইদ নোট ইহল্লবা মতুং মচানুপী হাৎখ্রে

নাগপুর, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
তাবদা য়াম্না অঙকপা পোকপা অমদি থাজদবা মওংদা থেম নৌদুনা মচানুপীবু স্যুসাইদ নোট অমা ইহল্লবা মতুং অপোকপা মপানা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা মীওই অসিনা মহাক্কী মরী মতা খরদা লমন খুম্নবগী পান্দমদা অমদি মখোয়না লৌতুনরগা মচানুপী হাৎপনি হায়না মরাল শিনবগীদমক মশাগী চহী ১৬ রোম শুরবী মচানুপী অদুদা থেম নৌদুনা মখোয়গী য়েক্কবশিংদা পারা তম্বীগে অদুনা মখোয় মঙাগী মমিং য়াওবা স্যুসাইদ নোট অমা ইয়ু অমদি থৌরি য়ানবগী মওংদা ফোটো অমা কাপ্লগা মখোয়দা উত্তুনা কিহনগে হায়দুনা থেল্লগা স্যুসাইদ নোটশিং ইহনখি অমদি ইমুংদা লৈবা সিল্লিং ফেন অমদা থৌরি য়ানবগী মওংদা এক্টিং তৌহনখি। তাঞ্জা অদুদা মপা অদুনা মচানুপীনা লেপ্লিবা চৌক্রি অদু মখোঙনা কাউথোক্তুনা মচানুপী অদুবু থৌরি য়ান্দুনা শিহনখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা অপোকপা ফারে অমদি মহাক মশানা মশাগী মরাল য়াজখিবগা লোয়ননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়রি।

## প্রসিদেন্টকী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নখিবগীদমক লাল্লে হায়জগদবনি : বি জে পি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা অখিল গিরিনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুগী মতাংদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নখিবা অদুগী মায়োক্তা বি জে পিগী এম পি লোকেট চেট্টর্জিনা নোর্থ এভেন্যু পুলিস ষ্টেটসনদা কেস অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুপ্রিমো মমতা বেনর্জিনা অখিলবু পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌগদবনি অমদি প্রসিদেন্ট মুরমুদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এম পি চেট্টর্জিনা ফোঙদোকখিবদা, প্রসিদেন্ট মুরমুগী মতাংদা অথিবা ৱাহৈশিং শিজিন্নখিবা অখিল গিরি মমতা বেনর্জিগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা মীশক অমনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মীওই অসিবু মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌগদবনি অমদি মহাক মশা দেল্লিদা লাক্তুনা প্রসিদেন্টতা লাল্লে হায়জগদবনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাঙবগী চৎনবী অমা লৈরবসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টকী মরমদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদা হান্না ৱাখল খন্থগদবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মিনিষ্টর অখিল গিরিনা মহাক্লা ঙাঙখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্টতা লাল্লে হায়জখ্রে। অদুবু অরানবা তৌবা খুদিংমক লাল্লে হায়রগা ঙাকপীরবদি লৈঙাক্তা চাওনা অকায়বা লাক্কনি। মরম অদুনা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমা ওইনা অমদি চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা অখিল গিরিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি। অফবা লুচিংবা অমদি কন্সটিট্যুসনবু ইকায় খুম্নবা উৎপা লুচিংবী অমা ওইরবদি খুদক্তা গিরিবু এক্সন লৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদা বি জে পি এম পি সুমিত্রা খাননসু হিরম অসিগা মরী লৈননা নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেনদা অঙীবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টর অখিল গিরিবু খুদক্তা ফানবা তকশিনখ্রে। গিরিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা বি জে পিগী সুভেন্দুগা অৱায় অখুম তৌনবদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টকী মশক পল্লগা ঙাংখিবা ৱাফম অদু প্রসিদেন্টপু ইকায়বা পীবনি অমদি কন্সটিট্যুসনবু শিংনবনি। ইস্যু অসি নুপীদা ইকাখুম্নবা উৎতবগী ওইনা মীয়াম্না লৌরম্বা য়াই অদুবু মসিদা মখোয়গী ফজ দবা ৱাখল্লোন অমদি নুপীবু হন্থনা য়েংবগী মমি চাওনা তারি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মীওই অসিগী মথক্তা কম্মিসননা অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়রি।



## মীয়াম্না ঐখোয়বু মীহাৎপা ওইনা উবীগনু ভিক্টিম ওইনা উবীয়ু : আর পি রভিচন্দ্রন

মদুরাই, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইমিনিষ্টর রাজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নে হায়বগীদমক চহী ৩০ হেন্না জেলদা লৈরুরবা মতুং হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা থাদোরকখ্রবা মীওই ৬ কী মনুংদা অমা ওইরিবা আর পি রভিচন্দ্রননা মখোয়বু মীহাৎপা অমা ওইনা মীয়াম্না উবীগনু, ভিক্টিম অমা ওইনা উবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মদুরাই সেন্ট্রেল জেলদগী থোরল্লবা মতুং মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না নোর্থ ইন্দিয়নশিংনা মখোয়বু মীহাৎপা অমা ওইনা উবগী মহুত্তা ভিক্টিম ওইনা উগদবনি। মফম অমদি মতমগী মতুংইন্না মীয়াম্না মখোয়বু লালহৌবনি নৎত্রগা মীহাৎপনি হায়না উরি। অদুবু মতমনা অচুম্বা ৱায়েল অদুম্মক পুরক্কনি। পৱার পায়বা মীওইশিংনা মীওই অমবু লৈবাক নীংবা নৎত্রগা লালহৌবা ওইহনবা ঙম্মী। কোর্টনা ঐখোয়বু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোরল্লবসু লালহৌবনি হায়বা মীংচৎ অদু ঐখোয়দা হৌজিকসু পীরি। মসিদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা লৈতে। মরম অদুনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েং হোঙদোকপীয়ু হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহী ৩০ হেন্না জেলদা লৈরুবনা মরম ওইরগা মহাক অতোপ্পা মীওইশিংগা কা হেন্না পুন্দুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী অপাম্বা লৈতে। মতম শাংনা কায়নরুরবা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লৈমিন্নদুনা মতম লৌবা পাম্মী। মখোয়গা লোয়ননা মতম পুম্বদা লৈমিন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা জেলদগী থাদোরকখ্রবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী নালিনিনা ফোঙদোকখিবদা, ঐনা গান্ধী ফেমিলিগী মীওইশিংগা উনবা তৌরোই। হৌজিক্কী ওইনা ঐগী ইপুরোইবনা চৎপা লম্বীদা মহাকসু মতুং ইন্দুনা চৎকনি। মরমদি ইপুরোইবগা ঐগা চহী ৩০ হেন্না শেৎন-খায়নদুনা লাকখ্রবনি। হৌজিক্তি মখোয়গা অমুক হন্না কায়নবা পামদ্রে। অদুবু সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা হোৎনদুনা মখোয়বু জেলদগী থাদোকপীরকপগীদমক হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মরুওইনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মখোয়গীদমক ৱানা হোৎনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি মখোয়না জেলদগী থোরকপা ঙম্লিবনি। মরম অদুনা ষ্টেট লৈঙাকপু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি হায়না নালিনিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি



## লোল তরেৎকী ত্রেনিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরগী দিরেক্টর এল নন্দকুমারনা থা অসিগী ৯দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লোকল লেংগ্বেজ তরেৎকী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা মথং থাগী ১দগী হৌরদুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

। অনী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ত্রেনিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবা লোলশিংনাথ অনাল, পাইতে, লুৱাংমৈ, পৌমাই, তাঙ্খুল, থাদৌ-কুকি অমসুং মণিপুরী (মৈতৈলোল) নি হায়রি। ত্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মীওইশিংদা থাদা লুপা লিশীং ১০/১০গী ফাইনান্সিএল এসিস্টেন্সসু পীগনি হায়রি।

## ‘সু’ গী য়ু জিশিংনা পুলিস ষ্টেসন ...

*লামায় ১গী মখা...*এরিয়াদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ অমগী লালহৌলূপশিংনা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনা লল্লোন ইতিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরমগীদমক চঙথোক চঙশিন তৌবদা টেক্স কয়া লৌরে হায়রি।

মরু ওইনা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী হেক মমাঙমক্তদা সু তৌনরিবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী টেক্স লৌফম হাংদুনা গাড়ীশিংদগী চহীগী ওইনা অমদি গাড়ীগী ত্রিপ অমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা শেনফম কয়া লৌরে হায়রি।

অসুম্না পুলিস ষ্টেসন অমগী মমাঙমক্তদা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিংনা তৌনীংবতা তৌবদা পুলিসকী মায়কৈদগীসু য়েংদুনা লৈবা থৌওং অসিনা পুলিসনা মখোয়দা অয়াবা পীরব্রা হায়বগী ৱাহংসু হংনরক্লে হায়খি।

মরম অসিনা হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা ফুরুপ অমগী মীওই কয়ানা কাংপোকপী অমসুং সদর হিলসকী অনৌবা মেপশিং শেমদুনা তম্পাক্কী লম কয়া মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌরক্লিবা অসিসু লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা চঙশিল্লক্তুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

মরু ওইনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোরক্তনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বাউন্দরি কম্মিসন অমা শেমদুনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা লৈরক্লিবা চয়েৎনবশিং লোইশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## এ টি এম এ ষ্টাফশিংগী ৱাফম...

*লামায় ১গী মখা...*এবজোর্বসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌরে হায়খিবা ওর্দর অদুদা চুড়াচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসনা অমুক হন্না বি টি এম (ইন চার্জ) ওইনা নোমিনেসন তৌরে হায়রিবা মীওই অনী অসি সিরিএল নম্বর ১১৯ অমসুং ৭৫দা য়াওবা মীওইশিংনি হায়রি।

মরম অসিনা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্টচ্যুএল ষ্টাফশিংবু এফ এ/ভি ঈ দল্লিয়ু ওইনা এবজোর্বসন/রিগ্যুলরাইজেসন পীখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না অদুগুম্বা ষ্টাফশিং অদুগী মনুংদগী অকক্লবা অমা নৎত্রগা অনী খনগৎলগা অমুক হন্না বি টি এন (ইন চার্জ) ওইনা নোমিনেসন তৌবা য়াব্রা হায়বসিনি। অদুবু ৱাহং অসিগী পাউখুম ফংদ্রগসু তৌরক্লিবনিনা মসিগী মরুমদা লোয়শঙ অসিগী ওইবা করি করম্বা পোলিসি/প্রোগ্রাম লৈরবগে হায়বসিসু পাউখুম ফংদবা ৱাহং ওইরি।

খ্বাইদগী ঙক্লিবনা জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা কম্মিস্নর (এগ্রিকলচর) না থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না এ টি এম এগী কন্ট্রেক্টচ্যুএল ষ্টাফশিং ওইনা লৈরকপদগী লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা এবজোর্বসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌখিবা লৈরগসু জুন ২৯, ২০২২দা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী মায়কৈদগী থোকখিবা ওর্দর অমনা অমুক হন্না এ টি এম এগী ওইনা ষ্টাফ ২৩০ লৈরি। মখোয়গী মনুংদা ষ্টেট কোওর্দিনেটর ১, বি টি এম ৫৫, এসিষ্টেন্ট টেক্নোলোজি মেনেজর ১৬০, কম্প্যুটর প্রোগ্রাম ৭ অমসুং একাউন্ট কম ক্লার্ক ৭ লৈরি হায়রিবসিনা য়াল্লবা ষ্টাফ ২৩০ অসি কদাইদগী লৌরুবনো হায়বসিনি। মরমদি জন্যুৱারী ৭তা থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিদা এবজোর্বসন/রিগ্যুলরাইজেসন পীখ্রবা ষ্টাফশিং অদু মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগী মতুংইন্না ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীদুনা থবক মফমশিংদা জোইন তৌহনখ্রবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা চপ মান্নবা অকক্লবা মীওই খরদা মখোয়বু লোয়শঙ অসিদা এবজোর্বসনসু তৌহনবা অদুগা এ টি এম এ ওইনসু মখা তানা লৈহল্লব্রা হায়বগী ৱাহং থোরকপনি।

অমরোমদা, লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা এবজোর্বসন/রিগ্যুলরাইজেসন তৌখিবদা য়াওহৌদবা/মশানা য়াওজরোই হায়বা এ টি এম এগী ষ্টাফ ৪ (বি টি এম ২, এ টি এম ১ অমসুং একাউন্টেন্ট ১ য়াওনা পূন্না মখোয় ৪) গী ফংফম থোকপা থাগী তোলোপশিং চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরক্লগা মমাঙ থা ওক্টোবর ফাওবগী ওইনা ফংদ্রে হায়রি।

মখোয় মরিদা পীফম থোকপা থাগী তোলোপশিং পীদ্রগসু ষ্টেট এগ্রিকলচরেল মেনেজমেন্ট এন্দ এক্সটেন্সন ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটকী মায়কৈদগী থা অসিগী ২দা থোকখিবা ওর্দর অমনদি থা অসিগী ১৬তগীনা ১৯ ফাওবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা ‘ত্রান্সফোর্মিং এগ্রিকলচর’ গী থিমগী ষ্টেট লেভেল এগ্রিকলচর ফেয়র, ২০২২ পাঙথোক্লবসু শেম শারে হায়রি।

## কংলামৈগী কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* মীফমলোয়শিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক লৈমনা ফোঙদোকখিবদা মথং চহীদদি লূপ অসিগী মপোক কুমওনগী চহী ২৫ শুরকপগী সিলভর জুবিলি থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা হেন্না পাকথোক চাওথোক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। লূপ অসিনা ঙসি ফাওবদা থৌদাং লৌরক্লিবসি মণিপুর খক্তগী নত্তে, মপান্দা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী লাইনীং লইফমগা মরী লৈনবা মফম কয়া থমদুনা মীতৈ ফুরুপ্পু মশক তাকপা ঙম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

হোজাইদসু নুপী কৈথেল অমা থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবগা লোয়ননা লাইশঙ ফাওবা শাদুনা লাইগী থৌরমশিং পাঙথোকপা ফংহনখ্রে হায়রি। দিমাপুরদা লৈরম্বা এম এস আর টি সীগী মফম অদুদসু ইবুধৌ পাখংবা অমসুং ইমা লাইস্নাগী লাইশঙ ফাওবা শাদুনা থল্লম্বনি হায়খি।

## জামখমভালিয়া এ সীদা গুজরাত এ এ পিগী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ইসুদান মীখল থেংনরগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা ফেজ অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাত এসেমব্লি মীখলদা এ এ পিনা মখোয়গী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ইসুদান গাদভিনা ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু করম্বা এ সীদা মীরেপ ওইগদগে হায়বা লাউথোক্তনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসি এ এ পিগী নেসনল কনভিনর আর্বিন্দ কেগ্রিৱালনা গুজরাত এ এ পিগী চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ইসুদান জামখমভালিয়া কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ইসুদান মতম কয়াগী মমাংদগী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৌমীশিং, থবক ফংদবা নহাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি নুপী অঙাংদা চত্থবা ক্রাইমশিংগী মায়োক্তা খোল্লাউশিং লাউদুনা লাকখিবা মীওই অমনি। মহাক সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাক্লবা মীওই অমনি।

অমরোমদা ইসুদাননা মহাক্কী মমিং চীফ মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখিবা মতুং ইকান কান্নদনা মোরবি থোং তৎপদগী মীওই ১৩০ হেন্না শিহনখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। অমদি হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা হুক থক্লুবদগী মীওই ৭০ হেন্না শিহনখিবা অদুগী মতাংদসু অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 665/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 316 (অরিবা) 35 (অনৌবা) দাগ ন: 597 মোট এরিয়া 0.78 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

## হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৭৩৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৭৩৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৭৩৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৬৬,৩৭৭ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১২,৩০৭ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ৩ শিহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫৩১ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৩ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৮০ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।



HL-B/7878/20/10-19/11

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 672/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 232 (অরিবা) 162 (অনৌবা) দাগ ন: 604 মোট এরিয়া 0.71 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 670/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 235 (অরিবা) 413 (অনৌবা) দাগ ন: 596 মোট এরিয়া 0.78 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 668/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 317 (অরিবা) 261 (অনৌবা) দাগ ন: 598 মোট এরিয়া 0.67 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 669/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 239 (অরিবা) 134 (অনৌবা) দাগ ন: 603 মোট এরিয়া 0.71 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 667/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 240 (অরিবা) 167 (অনৌবা) দাগ ন: 606 মোট এরিয়া 0.72 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**
**Ref :- Mutation Case No. 666/SDC/SWG of 2022**
Parties :- Thoudam Senapati S/o (L) Jugeshor of Chingarel Tejpur. -Petitioner
-Vs-
Late Pattadar : Thoudam Jugeshor Meitei S/o (L) Ningthemjao Singh of Chingarel Tejpur. -Opposite Parties

**/ NOTICE**
Sawombung, the 11th November, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুল ন: 35-Phaknung পাট্টা ন: 240 (অরিবা) 163 (অনৌবা) দাগ ন: 607 মোট এরিয়া 0.96 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Thoudam Jugeshor Meitei অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিনা মৃ:গী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা চে ওইনা অপতি পীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East
HL-P/4866/14